SAMSUNG লুহোং-মচল
WATER PURIFIER EUREKA FORBES
SAMSUNG 32' LED
TATA SKY FREE
SAMSUNG REFRIG
2 / 3 STAR 190 LT.
INTEX 7.2 KG WASHER
₹ 38,000/-
SAMSUNG 43' LED
FREE ₹2499
SAMSUNG REFRIG
2 / 3 STAR 190 LT.
SAMSUNG
7.2/6.5 KG WASHER
₹ 53,999/-
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.
CHINGTAM, OPP. HOTEL ANAND CONTTL.
SARAJEEVAN ENT, PAONA BZ, IMP.

নহারোলগী থৌদাং

A newspaper dedicated to the cause of Human Rights

"OLED" SONY
BRAVIA
"OLED"
A NEW TV EXPERIENCE AWAKENS
SONY 55"KD-55A8F
₹ 3,29,900/- = ₹ 1,99,990/-
SONY 65"KD-65A8F
₹ 4,49,900/- = ₹ 2,99,990/-
SONY HOUSE, PAONA BZ. IMPHAL
VIDEOCON HOUSE, PAONA BAZAR, IMP.

পেনা শৈশকপা
হেমাম অচৌদা লুপা
লিশিং ৫০ গী
শেলগী মনা পীবা

টুয়েল্ভ পরিক্ষাগী আর্টস স্ত্রিমদা
ফার্ষ্ট পোজিসন তারকখ্রবা
মহৈরোয় ওইনাম বার্লিন
মৈতৈবু ওল বিষ্ণুপুর ৰার্কিং
জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন
(এবিদিদব্লিউজেয়ু) না শিন্দুনা
হরাও তরান্না ওকপা

২৪ শুবা চহি, ইশু ৩২০ www.naharolgithoudang.in ইম্ফাল, মে ১৫, ২০১৯ ইং, কালেনগী ১১নি পানবা, য়ুমশকৈশ RNI 66117/96 Postel Regd. No. MNP মমল লুপা ৩.৬০

অতেনবা পাউ

পেনা শৈশকপা অচৌদা লুপা লিশিং ৫০গী মনা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ ঃ মমিং চৎলবা পেনা শৈশকপা হেমাম অচৌ সিংহদা ইবুধৌ মৈত্রাও লাকপা পাখংবা থৌগল লুপনা লুপা লিশিং ৫০ গী শেলগী মনা পীদুনা ইকাইখুম্নবা উংখ্রে।

মশাগী চহী ৭৯ শুরবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং মোইরাংথেম লৈবুজম লৈকাইদগী হেমাম অচৌনা ইং ১৯৯১ দগী হৌনা চৎলিবা চহী ২০১৯ ফাওবদা চহী ২৮ রোম চুপ্পা ইরোম মৈত্রাও লাকপা পাখংবা ইপুথৌগী পেনা থৌগল্লক্তুনা লাকপা অদুবু পুক্রিং থৌগৎলদুনা লুপা ফুদোংবা (সিলভর জুব্লি) গী থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি ইরোম মৈত্রাও লাকপা পাখংবগী লাইবুংগী পেনা শকফমদা থৌগল লুপনা শেলগী মনা অদু পীখিবনি। ইপুথৌগী চহীগী হরাওবা অমুক্তা পেনা শৈশকপনা পরিংদা হরাওরিঙৈ মনুংদা নোংমগী অকক্নবা মতমদা নুমিৎ ১০ / ১৫ রোম ফমশকপনি। লুপা লিশিং ৫০ গী শেনফম য়াওবা মনা অদুদা সাইটেসন অমা অমসুং সাল অমা য়াওরি।

লুপা ক্রোর ১ হেনবগী ব্রাউন স্যুগর ফারে

ইম্ফাল, মে ১৪ ঃ হেদ ক্বার্টরস আইজিএআর (সাউথ) কী লমজিং মখাদা ২৬ সেক্তর এআরগী তেংনৌপল বট্টালিয়ননা ঙসি খুদেংথাবি পার্মিনেন্ট ভেহিকল চেক পোষ্টতগী লুপা ক্রোর ১.১৬ রোমগী ব্রাউন স্যুগর ফারে হায়না এআরগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রিবনা, অখন্নবা পাউ অমা ফংবদগী খুদেংথাবী পোষ্টকী টিম অমনা মোরেদগী খুদেংথাবী রোমদা লাকখিবা নম্বর থাদবা অমুবা মুচী ওটো রিক্সো অমা খামদুনা চেক তৌবদা ইন্টরনেসনেল মার্কেটতা লুপা ক্রোর ১.১৬ রোমগী ভেল্যু ওইগদবা ব্রাউন স্যুগর গ্রাম ৫৮২ তেঙান তেঙান পেক্কেট ৪২ থোন্না খায়দোক্লগা গাড়ী অদুগী মনুংদা লোৎশিল্লগা য়াওরম্বদগী ফাগৎখি। ব্রাউন স্যুগরগা কোন্ননা ফারবা মীওই অদুগী মমিংনা জামপাও খোংশাই (৪০) অপোকপা লৈখিদ্রবা গাওখোজাং খোংশাই কৌই। মোরেগী খুদেংথাবি ভিল্লেজতগীনি হায়রি।

মীওই ১ তুরেলদা লুপখিবদগী ফাওগৎলক্ত্রে

ইম্ফাল, মে ১৪ ঃ ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ রোম তাবদা য়াইরিপোক লৈরোংথেলদা চেল্লিবা থৌবাল তুরেলদা নুপা অমা লৈঙোই কোৎনবা হোৎনবদা ঈশিংদা লুপথখিবদগী থিবা খঙখিদ্রে।

মীওই অদুগী মমিংনা থাংজম কুনজে (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা লালা কৌই। উখোংশাং ময়াই লৈকাইদগীনি। মীওই অসিনা তুরেল মনুংদা লৈঙোই কোৎনবা হোৎনবদা লুপথখিবদা মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিংনা মহৌশাগুম ঈশিং মনুংদগী লৈঙোই কোৎপা ওইরমগনি হায়না থৌশারুদে। অদুবু নুপী খরনা তুরেলদা মীওই অমা তাওদুনা লৈবা উখি হায়না লাওরকপদগী ময়াম চংদুনা চেনশিন্দুনা থিবদা ফংখিদে। মীওই অসিনা লুপথখিবা মফম অসি ঈশিং য়াম্না লুবা জগাসু নত্তে। অথেংবা ফাওবা মীওই অদুগী হকচাং ফংবা ঙমদে হায়রি।

হৱাদা লৈরাংদো

ইম্ফাল সোহোর শেংদোক্নবা মোৎহনগনি !!!



বরাক অমসুং মক্রুগী থোং শাবা তপথবা লো এন্দ ওর্দরগা মরী লৈনদে এনঐচআইদিসিএলনা বিআরওগুম্না থবক শুবদগী তপথবনি ঃটিদিসি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ১৪ ঃ মণিপুরগী য়াম্না মরুওইবা লাইফ লাইন ওইরিবা ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী বরাক অমসুং মক্রু তুরেলগী মথক্তা নেস্নেল হায়ৱেজ ইনফ্রাষ্ট্রক্চর কোর্পোরেসন লিমিটেদনা (এনঐচআইদিসিএল) না শাগৎলিবা আরসিসিগী থোংগী থবক য়াম্না তপথনা লৈরিবা অদু ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দরননি হায়না কোর্পোরেসন লিমিটেদ অসিনা ফোঙদোরক্লিবা ৰাফম অদু অরানবনি, হৌজিক থোং শাবগী থবক তপথরিবা অসি লো এন্দ ওর্দরগা মরী লৈনদে, এনঐচআইদিসিএলনা মমাংদা লম্বী অসিদা থবক শুরম্বা বোর্দর রোদ ওর্গনাইজেসন (বিআরও) গুম্না থবক শুবদগী তপথবনি হায়না ট্রান্সপোর্টরস এন্দ ড্রাইভরস কাউন্সিল (টিদিসি) গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ইম্ফালগী এমজি এভেন্যুদা লৈবা টিদিসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবদা টিদিসিগী প্রসিদেন্ট ঐচ রঞ্জিৎনা হায়, থোং অনি অসি এনঐচআইদিসিএলগী মখাদা ভারতিয়া ইনফ্রা প্রোজেক্টস লিমিটেদ(বিআইপিএল) না শাবনি।

হৌজিক থোং অসিগী প্রোগ্রেস য়াম্না তপ্না চৎলি। মমিংতগী ওইনা থবক শুরি হায়বগী মওংদা মক্রুগী আরসিসি থোং মখোং থাদদুনা হৌজিক শেমগৎলিবা অদু ঙসি অমসুং হৌখিবা নুমিৎ খরনি মফম অদুদগী টিদিসিগী মেম্বরশিংনা পাউ পীরকপদা সুপ্নগী মীওই ২ / ৩ খক্তনা থবক শুরি। অদুগা বরাককী আরসিসি থোংগীসু মীওই ৫ /৬ খক্তনা মমিংতগী ওইনা থবক শুরি। অদুক চাওবা অমসুং মণিপুর মীয়ামগী দরকার লৈবা থোংশিং অসিবু হৌজিক এনঐচআইদিসিএলগী মখাদা বিআইপিএলনা শুরিবা থবক খুৎশু অসিদা অসুম থবক শুরগদি চহী কয়া চংখিগনি।

রঞ্জিৎনা মখা তানা হায়, এনঐচআইদিসিএলনা নিংথিনা থবক খুমাঙ য়াঙশিন্না লেবর অমসুং অহেনবা মেছিন্নরিনচিংবা কয়া থাজিন্দুনা থবক শুবগী মহুত্তা মমিংতগী ওইনা থবক শুরগা লো এন্দ ওর্দর ফৎতবনা থবক শুবা তপথবনি হায়না তায়নশিনবা অসি টিদিসিনা য়াবা শুংঙম ঙল্লেই।

হৌজিক লো এন্দ ওর্দরনা থোং অসিগী শেমগৎ শাগৎপদা মখল অমত্তগী অথিংবা পীবা লৈতে। করিগুম্বা অথিংবা পীবা ওইরগদি এনঐচআইদিসিএলগী বিআইপিএলনা লেবর ৩ / ৪ থাদোক্তুনা হৌখিবা নুমিৎ কয়ানি থবক শুরিবা অসিসু লেপফম থোকই। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মক্রু অমসুং বরাককী আরসিসি থোং শেমগৎলিবা অসিদা মীওই লেবর কয়ানা থবক শুবগে হায়বগী চপ চাবা ভিদিও রেকোর্দিং অমসুং ফোটোনচিংবা পুন্নমক টিদিসিদা লৈ হায়দুনা ঙসিগী পাউমীশিংগা উনবা অদুদা টিদিসিগী প্রসিদেন্টনা পাউমীশিংদা উৎখি।

মণিপুর মীয়ামগী লাইফ লাইন ওইরিবা ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা হৌজিক এনঐচআইদিসিএলনা থোং শারিবা অসিগী থবক খুৎশু অসিদি মতম অমদা বিআরওনা শুরম্বা থবক অদুগী খুৎশুনি। মখোয়না তৌরম্বা টেক্নিস অদুনি। লো এন্দ ওর্দর ফৎতবনা থোং অসি শাবা তপথবনি হায়না ষ্টেট অসিগী লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লিবা মণিপুর সরকারদা এনঐচআইদিসিএলনা তায়নশিনবা য়ানিংদে হায়খি।

রঞ্জিৎনা মখা তানা হায়, ভারত সরকারগী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা চাওরবা শেল কয়া কায়থোক্তুনা অদুক চাওখ্রবা য়োৎ মচৈ *(মখা লমায় ৫দা)*

বিটি রোদতা লৈরিবা বিল্ডিংশিং নিংথিনা শেমজিন্দ্রিবা ফাওবা থোং লোন্নবা আইএমসিনা খঙহনখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ১৪ ঃ হৌখিবা তং ১০ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৪ রোম তাবদা বিটি রোদতা খোংউপ য়োনবা দুকান অমগী বিল্ডিং নিংখায়রকপদগী মীওই ১ শিখিবা অদুগা ৪ না অশোক অপন নংখিবা থৌদোক্তা মরি লৈননা ঙসি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আইএমসি) অমসুং ইঞ্জিনিয়ারিং টিম অমনা বিল্ডিং নিংখায়রিবা মফম অদুদা লৈরিবা বিল্ডিংশিংগী ফিভম হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। লোয়ননা লৈরিবা বিল্ডিংশিং অদু আইএমসিগী অয়াবা য়াওদুনা শাখিব্রা হায়বনচিংবগী মরি লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং চয়োল অমগী মনুংদা পীরক্নবা খংহনবা য়াওনা বিটি রোদতা লৈরিবা দুকানশিং অমসুং বিল্ডিংশিং অদু নৌনা শেমজিন্দ্রিবা ফাওবা মতম কক্তনা থোং লোন্নবা অকনবা দিরেক্সন পীখ্রে হায়রি।

ঙসি আইএমসি অমসুং ইঞ্জিনিয়ারিং সেক্সননা য়েংশিনবা চৎখিবা খোংচৎ অদুগা মরি লৈননা সিটি মনুংদা লৈরিবা রেসিদেন্সিয়েল, কম্মর্সিয়েল, সোপ কম ষ্টোর, মী লৈনরিবা মখোন লোংবা বিল্ডিংশিং অশোয় অঙাম থোক্তনবা মথোল অনিদগী হেন্না লোংলোয়দবনি। লোয়ননা বিল্ডিংশিং অসি নেচরেল কেলামিটিনচিংবা থোরকপদা অশোয় অঙাম য়াওদনবা য়াম্না চেকশিন্না শাগদবনি হায়নসু বিল্ডিংশিংগী মরি লৈনরিবা মপুশিংদা খঙহল্লমখি।

আইএমসিগী মায়কৈদগী বিটি রোদতা লৈরিবা বিল্ডিংশিং অদু শাবদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল / কোর্পেরেসনদগী অয়াবা লৌবগী দোক্যুমেন্টশিং য়াওনা বিল্ডিংশিং অদুগী এপ্রুভ দ্রোয়িংদগী হোংদোক হোংজিন তৌবদা অয়াবা লৌখিবগী দোক্যুমেন্টশিং, বিল্ডিংগী ষ্ট্রকচরেল দ্রোয়িং কোপি, বিল্ডিং ষ্ট্রকচর অদু দিজাইন তৌখিবা ইঞ্জিনিয়ার / আর্কিটেক্ট কোপি য়াওনা আইএমসিনা ইসু তৌবা কমপ্লিসন কম ওক্যুপেন্সি সার্টিফিকেটশিং অদু চয়োল অমগী মনুংদা সবমিট তৌরক্নবা খঙহল্লমখি। করিগুম্বা হায়রিবা চেচাংশিং অদুপুথোকপা ঙম্মদ্রবদি মণিপুর ম্যুনিসিপালিটিস এক্ট ১৯৯৪ অমসুং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল বিল্ডিং বাই–লো ২০১৩ গী *(মখা লমায় ৪দা)*

ইম্ফালদা নুমিৎ নিনি চুপ্পা তুনিসিয়া ফিল্ম ফেষ্টিভেল পাংথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, মে ১৪ ঃ ষ্টেট অমদি অফবা ফিল্মশিং পুথোক্নবগী ঈহৌ অসি হেন্না প্রমোট তৌনবগী পান্দমদা ফেদেরেসন ওফ ফিল্ম সোসাইটি ওফ ইন্দিয়া অমসুং ফিল্ম সোসাইটি ওফ মণিপুর অনিনা নিউ দিল্লিদা লৈরিবা তুনিসিয়া এম্বেসি অমদি মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী মতেংগা লোয়ননা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এমএসদিএফএসকী ওদিটোরিয়মদা মে ২৫ দগী ২৬ ফাওবা নুমিৎ নিনি চুপ্পা তুনিসিয়া ফিল্ম ফেষ্টিভেল পাংথোক্কদৌরি।

ফেষ্টিভেল অসিদা তুনিসিয়াগী কন্টেম্পোরেরি এৱার্দ ৱিন্নিং ফিচর ফিল্ম ৬ উৎকনি। অহানবা নুমিৎতনা দাইরেক্তর ইব্রাহিম লেতাইফকী কোর্তে ফারিনা, অনিশুবদা দাইরেক্তর নিধাল ছতাগী মোষ্টাফা জেট অমসুং অহুমশুবা ফিল্ম ওইনা হবিব নেষ্ট্রিগী সতর ৱেভ উৎকনি। নিনি চনবা অরোয়বা নুমিৎতা দাইরেক্তর নাসির খামিরগী হ্বিস্পরিং সেন্দ, দাইরেক্তর নোফেল সহেব ইত্তবাগী ভিজিট অদুগা দাইরেক্তর ফেরিট বৌঘেদিরগী স্বিট স্মেল ওফ স্প্রিং উৎকনি। ফিল্মশিং অসি ইংলিসতা সবতাইটল তৌগনি। ফিল্মশিং অসি উৎলবা মতুংদা ইন্টরেক্সন সেক্সন অমা লৈগনি। ফিল্ম অসিগী এন্ট্রি পাস মে ১৬ তগী এমএসএফদিএসকী কমপ্লেক্সতগী ফংগনি। ফিল্ম সোসাইটিগী মেম্বরশিং অমসুং ফিল্মবু পামজবশিংনা ষ্টাম্প সাইজ ফোটো ২–২ গা লোয়ননা মাংজৌননা এন্ট্রি পাস কল্লেক্ট তৌবা য়াগনি হায়রি।

স্কুল তাবা লম্বী লৈতবদগী য়ুম হোংদোক্লগা অতোপ্পা মফমদা লাইরিক তম্নরে ঃ এমএসএফ

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ১৪ ঃ এমএসএফকী ঐখোয় লাইরিক নিংথিনা তমসি হায়বা কেম্পেইন অদুগী মখাদা ঙরাং এমএসএফ হেদ ওফিস অমসুং এমএসএফ দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী টিম অমনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হঞ্জিননা লৈরিবা বোরোইখাল, সবুঘাট অমসুং বাবুখালদা লৈরিবা মহৈলোয়শঙশিংদা কোয়না চৎতুনা য়েংশিনখ্রে। খোংচৎ অদুদা স্কুলশিং অদু য়ৌনা চৎনবা লম্বী অমসুং খুঞ্জাশিংনা চখোক চৎশিন তৌনবা লম্বী লৈতবা, ওঝা মতিক চানা লৈতবা অমসুং চাং নাইনা লাক্তবনা মহৈরোয়শিং অতোপ্পা মফমদা লাইরিক তমহল্লম্বা থেংনরকখ্রে হায়না খোংচৎ অদুবু লুচিংখিবা এমএসএফ হেদ ওফিসকী প্রসিদেন্ট এনজি মিলননা ফোংদোকখ্রে।

খোংচৎ অদুগা মরি লৈননা মিলননা মখা তানা ফোংদোকখিবদা জিরিবামগী য়েংশিন খোংচৎ অদুদা এমএসএফ হেদ ওফিসকী এক্সটর্নেল এফিয়ার্স সেক্রেটরি এম জুলেস, ফাইনান্স সেক্রেটরি ৱাই বুংচা, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি এমদি জিসন, এমএসএফ জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অতোম রজিভ অমসুং এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সঞ্জয়সু শরুক য়াখি।

খোংচৎ অদুদা বোরোইখাল স্কুল মনাক্তা লৈরম্বা কোন্থৌজম ইবুংঙো কৌবা অমনা ফোংদোরকখিবদা মহাক্না ফারে। অদুবু স্কুল অদুদা ওঝাশিং নোং ফাদোক লাকপা নত্তনা কনা অমতা লাক্তে। মহৈরোয় অমত্তসু স্কুল কাদে হায়খি। এনজি কতনমণি কৌবা মীওই অমনা ফোংদোরকখিবদনা মফম অদুগী লম্বী থোংগী ফিভম ফত্তবা অদুগা স্কুলশিংগী ফিভম ফত্তবনা মখোয় মখোয়গী মচা মশুশিং অতোপ্পা মফমদা লৈদুনা লাইরিক তমহল্লি। অদুগা মখোয়না থবক শুদুনা ৱানা হিংলি। জিরিদগী মখোয়না লৈরিবা মফম অদু য়ৌনা চৎপা লম্বী লৈতবনা অসামলোমদগী কোয়রগা চৎলি। মদু নৎত্রগনা লৈঙাংপোকপি ফাওবা ঈশিং লম্বী ফাওবা মোটোর বোট তোংদুনা পুং ২ রোম চৎলগা মখোয়গী খুল অদু য়ৌনা লাকপা *(মখা লমায় ৪দা)*

এবিদিদব্লিউজেয়ুনা ফার্ষ্ট পোজিসন তাখ্রবা ওইনাম বার্লিন তরান্না ওকখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ১৪ ঃ হন্দক হায়দোকখিবা কোসেমনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্বকী একজামদা আর্টস স্ত্রিমগী ওইনা মণিপুর পুম্বগী ফার্ষ্ট পোজিসন তারকখ্রবা ইনলাইটন নোলেজ হায়র সেকেন্দরি স্কুল, সঙাকফমগী মহৈরোয় ওইনাম বার্লিন মৈতৈবু ওল বিষ্ণুপুর ৰার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (এবিদিদব্লিউজেয়ু) না শিন্দুনা হরাও তরান্না ওকপগী থৌরম অমা ঙসি ৰাংঙু শন্দংখোংদা পাংথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট ইনফোর্মেসন ওফিসার (দিআইও) ওইরিবা টিঐচ রঞ্জিৎ, এবিদিদব্লিউজেয়ুগী প্রসিদেন্ট ৱাই সমানন্দ, সেক্রেটরি এ কিষনকুমার অমদি পাব্লিসিটি সেক্রেটরি ঐচ রোনিবলা চনু য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুংদা লৈবা তেঙান তেঙানবা মেদিয়া হাওসতা মথৌ তৌরিবা পাউমীশিংনা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি ওইনাম বার্লিন মৈতৈ ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সুগনু কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা ৰাংঙু শন্দংখোংদগী ওইনাম ব্রোজেন সিংহ অমদি ওইনাম ওংবী তুলসি দেবী অনিগী মচা নুপানি। বার্লিন মচিন মনাও অহুমগী মনুংদা মহাক্না য়াইমনি। মথক্তা মচে অমা মখাদা মচল নুপী অমা লৈ। বার্লিন ইনলাইটন নোলেজ হায়র সেকেন্দরি স্কুল, সঙাকফমগী মহৈরোয়নি। মহাক্না আর্টস স্ত্রিমদা অপুনবা মার্ক ৫০০ গী মনুংদা ৪৪৫ মার্ক ফংদুনা সবজেক্ট তরুক মক লেট্টর মার্ক চৎতুনা চাদা ৮৯ চৎতুনা মণিপুর *(মখা লমায় ৪দা)*

মণিপুরদগী উতমকুমার নিংথৌজমনা লিংখৎপা এলভীগো সার্কুইটস চহিসিগী টোপ টেন প্রোমিজিং কম্পেনি ওইনা খল্লক্লে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ১৪ ঃ মণিপুরদগী উত্তমকুমার নিংথৌজমনা লিংখৎতুনা হাংদোকপা অমসুং মহাক মশামক্না মেনেজিং দাইরেক্টর ওইনা লৈরিবা এলভীগো সার্কুইটস প্রাইভেট লিমিটেদ (এ লীদিং সেমিকন্দক্টর দিজাইন কম্পেনি) বু ভারতকী মমিং চৎলবা অনৌবা টেক্নোলোজি কয়া পুথোকপা কম্পেনিশিংগী মরমদা ইদুনা ফোঙলিবা সিলিকোন ইন্দিয়া মেগজিন্না ভারত পুম্বগী ওইনা ইং ২০১৯ গী টোপ টেন প্রোমিজিং সেমিকন্দক্টর কম্পেনি ওইনা খল্লক্লে।

এলভীগো সার্কুইটস কম্পেনি অসি ইলেক্ট্রোনিক্স আইসি দিজাইন নত্রগা ভিএলএসআই দিজাইন হায়নসু খঙনবা ইন্টিগ্রেটেদ সার্কুইট

দিজাইন তৌবা কম্পেনি অমনি।

এলভীগো সার্কুইট কম্পেনিগী ফাউন্দর অমসুং মেনেজিং দাইরেক্টর উতমকুমার নিংথৌজম বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী থাঙ্গা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা কৈবুল লমজাওদগী হৌজিক্না ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইম্ফাল কলেজগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট ওইরম্বা নিংথৌজম ইবোচৌবা সিংহ অমসুং নিংথৌজম ওংবী সরতলতা দেবীগী মচানুপানি।

উতমকুমার অসি নেস্নেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি জলান্ধরদগী ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ কম্যুনিকেসনদা ইঞ্জিনিয়ারিং লোইরবা মতুংদা সেমিকন্দক্টর কমপ্লেক্স লিমিটেদ আইএসআরও (ইস্রো) চন্দিগরদা ভিএলএসআই দিজাইন ইঞ্জিনিয়ার ওইনা থবক তৌরমই। মতুংদা ইন্দিয়াগী সেমিকন্দক্টর দিজাইন কম্পেনিশিংদা থবক তৌদুনা জাপানগী রিনেসাস, তোশিবা অমসুং তেপ্পাননচিংবা মমিং চংলবা কম্পেনিশিংদা থবক তৌদুনা হায়রিবা কম্পেনিশিং অসিগী প্রোজেক্টকী টিমশিং *(মখা লমায় ৪দা)*

পুলিসতা পাউ পীরক্নবা খঙহল্লক্লি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ১৪ ঃ হৌখিবা এপ্রিল ২৫ দা সুগনুদা লৈবা সেন্ট জোসেপ হায়র সেকেন্দরি স্কুল মৈ থারম্বা থৌদোক্তুগা মরি লৈননা পুলিসনা মসিদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ৭ কী মমিং মথা লাওথোকখিবগা মরি লৈননা মখোয়শিং অদুগী মরি মখোং খঙবা লৈরবদি পুলিসতা পাউ পীরক্নবা সুগনু পুলিসনা মীয়ামদা আপিল তৌরক্লি।

পুলিসকী মায়কৈদগী হায়রিবনা মৈ থারম্বগী থৌদোক অসিদা কেএসও গুনপি ব্লোককি প্রসিদেন্টসু য়াওরি। অতৈ চিংনরিবশিং অদুনা কেএসও গুনপি ব্লোককী জেনরেল সেক্রেটরি সুগনুগী থিংবোংফাই ভিল্লেজতগী জাংখোলম সিমতে (৪১) অপোকপা শৈখোপাও, মহৈরোয় লুপ অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট সহুমফাই ভিল্লেজতগী মারকস পাওকাই মাতে এলাইজ কাকাই, *(মখা লমায় ৪দা)*

মোরেগী য়ুম ১দা থল্লম্বা য়ুরানিয়মনি চিংনবা পোৎশক অদু একজামিন তৌনবা ঙসি সিল্লোংদগী এক্সপার্টটিমশিং থুংলররগনি

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ১৪ ঃ ঙরাং অয়ুক পুং ৮ রোম তাবদা মোরে ৱার্দ নম্বর ৭ মোরে ফোরেষ্ট চেক পোষ্ট ময়াদা লৈবা নেংখোনেং মুনলুন (৬৫) কৌবা অমগী য়ুমদা মমাই মমিৎ খুম্বা মীওই অমা লাক্লগা য়ুরানিয়মনি চিংনবা পোৎশক অমা থল্লমখিবা অদু ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এক্সপার্ট টিমশিংনা চেক তৌখ্রে। টিম অদুনা চেক তৌবদা বোম শাবদা শিজিন্নরিবা য়ুরানিয়ম ওইরম্বা য়াবগী খুদম চাংদম অমত্তা ফংবা ঙমখিদে। অদুমকপু হয়েং সিল্লোংদগী এক্সপার্টটিম অমা লাক্তুনা পোৎশক অদু করিনো হায়বা চেক তৌগদৌরি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়রিবনা বোম শাবদা শিজিন্নবা য়ুরানিয়মনি চিংনরিবা পোৎশক অদু ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা মোরে পুলিসনা লৌখৎতুনা মোরে পুলিস ষ্টেসনদা নিংথিনা থল্লবা মতুং ঙসি অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার ডাঃ পি সুমিত্রা, ডাঃ বি অরুনকুমার (ফিজিসিষ্ট, রেদিওলোজি দিপার্টমেন্ট), ডাঃ এস দবদ্বিপ (এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার, দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিক্স, ওরিয়েন্টেল কলেজ ইম্ফাল), ডাঃ এন মনোরনজন (সেনিয়ার টেক্নিকেল এসিষ্টেন্ট, দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিক্স, এময়ু), সুনিতা খাঙেম্বম জুনিয়ার রিসার্চ ফেল্লো (বিআরএনএস প্রোজেক্ট) দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিক্স, এময়ু, নাওরেম সত্য তেক্নিকেল এসিষ্টেন্ট (বিআরএনএস প্রোজেক্ট) য়াওনা মীওই ৬ না শাবা টিম অমনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ রোম তাবদা মোরেদা থুংদুনা চেক তৌখ্রে। এক্সপার্টশিং অদুনা য়ুরানিয়ম পেক্কেটনি চিংনরিবা পোৎশক অদু রেদিওএক্টিভ মেটরিয়েল ওইব্রা নৎত্রগা ওইদব্রা হায়বদু রেদিওএক্টিভ দিটেক্সন মেছিন শিজিন্নদুনা চেক তৌখ্রে। মদুদা রেদিওএক্টিভ ওইবগী পোজিটিভ সিগনেল অমত্তা ফংদবনা য়ুরানিয়ম এক্সপ্লোসিভ মেটরিয়েল ওইরমদবা য়াই হায়রি। অদুমকপু মদু করিনো হায়বা চপ চানা খঙদোক্নবা হয়েং সিল্লোংদগী ইম্ফালদা এক্সপার্ট টিম অমা লাক্কদৌরি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এসপি টিঐচ বিক্রমজিৎনা ফোংদোকখিবদা য়ুরানিয়ম হায়না থাবা পেক্কেট অসিদা করি য়াওরিনো হায়বসিদি চপ চানা খঙদ্রি। অদুমকপু মীয়াম্না হেন্না কিন্নরিবা য়ুরানিয়ম মেটরিয়েল অদুদি ওইদ্রে। অদুবু অসিগুম্বা থৌওংশিং চখরিবা মীওইশিং *(মখা লমায় ৪দা)*

এনএসসিএন (আইএম)নি চিংনবশিংগী মথক্তা ইলেক্সন কেম্পেইন পাংথোকহনখিদবগা মরী লৈননা এফআইআর তৌখিবা লৈতে ঃ অসাং কসার

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ১৪ ঃ হৌখিবা এপ্রিল ১১দা পাংথোকখিবা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ১৭শুবা লোক সভা মীখল অদুগী মাংওইননা হৌখিবা এপ্রিল ৬তা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা মীখলগা মরী লৈননা এন এস সি এন (আই এম) নি চিংনবশিংনা এন ই আই দি পিগী ইলেক্সন কেম্পেইন পাংথোকহনখিদবগা মরী লৈননা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টি (এন ই আই দি পি) না মখল অমত্তগী এফ আই আর কেস থাখিবা লৈতে হায়না ঙসি নুংথিল ইম্ফালগী তেরা সাপম লৈরক্তা লৈবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টিগী ওফিসতা পাংথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মীখল অদুদা পার্টি অসিগী টিকেটতা মীখল থেংনখিবা অসাং কসারনা ফোংদোকখ্রে।

এন ই আই দি পিগী ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ডাঃ ঙাইরাংবম বিজয় সিংহ য়াওনা পাংথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱাফমশিং অসি ফোংদোক্লদুনা ১৭ শুবা লোক সভা মীখল অদুদা আউটরগী মীরেপ ওইখিবা অসাং কসারনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা হৌখিবা এপ্রিল ৬ তা ইলেক্সন কেম্পেইন ওইনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাংথোকখি। পার্টি অসিবু নুংশিজবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মীওই কয়াগা লোয়ননা পাংথোকখিবা ইলেক্সন কেম্পেইন অদুদা হান্না নাগাগী ওর্গনাইজেসন অমদা লুচিংবা ওইরম্বা মীওই ১ য়াওনা এন এস সি এন (আই এম) নি চিংনবা খুৎলাই পায়বা মীওই খরনা ইলেক্সন কেম্পেইন অদু চখদনবা কিহল্লকপা থৌদোক অমা থোকখি। ইলেক্সন কেম্পেইন অদুদা অথিংবা পীরকপদগী কেম্পেইন অদু লাইশোন–তিনশোলগা মরী লৈনবা থৌরম অমা পাংথোক্লবা মতুংদা ইলেক্সন কেম্পেইন অদু চখদনা লোইশিনখি। মদুগী মতুংদা এন এস সি এন (আই এম) নি চিংনবা খুৎলাই পায়বা মীওইশিং অদুগা লোয়ননা হান্না নাগাগী ওর্গনাইজেসন অমদা লুচিংবা ওইরম্বা মীওই অমগা লোয়ননা কেন্দিদেট ওইরিবা মহাকপু নমদুনা ফাননবা হোৎনবগী লাইবক থিবা থৌদোক অমা থোকখি।

লাইবক থিবা থৌদোক অদুদগী মহাক খুৎলৈ থুনা মঙোন্দা দিপ্লোই তৌবা সেক্যুরিটি পার্সোনেলশিংগা লোয়ননা সেনাপতি পুলিস ষ্টেসন্দা মাবু অহেনবা এসকোর্ট পীবিদুনা ইম্ফাল তম্না থিন্নবা ৱাকৎখি। মদুদগী মহাকপু সেনাপতি এস পিনা অহেনবা এসকোর্ট পীদুনা কাংপোকপি অমসুং ইম্ফাল তম্না থিল্লকখি। হায়রিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখ্রবসু মীখলগী থৌদোক অমনি হায়না লৌরগা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা কনাগুম্বা অমত্তদা এফ আই আর কেস থাখিবা লৈতে। অদুমকপু মরী লৈনবা পুলিসনা থৌদোক অদুগী মতাংদা সু মোতে কেস লৌখৎলমগদ্রা হায়বগী মহাক্কী ওইনা খংবা লৈতে।

লাইবক থিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মহাক মশামক অমসুং এন ই আই দি পিনা কনাগুম্বা অমত্তদা এফ আই আর কেস থাখিবা লৈত্রবসু ফেসবুক অমদি ৱাটসএপকী খুথাংদা মহাক অমদি মহাক্কী পার্টিনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এফ আই আর কেস থাখি হায়না শন্দোরকপা অমসুং কেস থাখি হায়বগী মরালদা অকি–অখং পীরকপসি তশেংনা লাইবক থিবা অমসুং নুংঙাইতবা থৌদোক্নি।

হৌখিবা মীখল অদুদা এন ই আই দি পিগী কেন্দিদেট অমা ওইনা মীখলগী ওইবা *(মখা লমায় ৪দা)*

SLOPELAND PUBLIC SCHOOL
CBSE AFFILIATION NO. 1230022
BIGGEST & FINNEST BOARDING SCHOOL
Congratulates all the students of Class 10 & 12 (Science / Arts) who have excelled in the AISSE & AISSCE-2019.
Class 12 (Science/Arts)
Number of Students Appeared:- 245
Total Number Passed:- 232
Who score 60% and above:- 230
Class 10
Number of Students Appeared:- 89
Total Number Passed:- 88
Who score 60% and above:- 88
ADMISSION OPEN FOR
CLASS XI (SCIENCE / ARTS / COMMERCE)
PHONE NO. : 9615965922 / 9856835024 / 9615520109
EMAIL : slopelandpublicschool@yahoo.com
WEBSITE : www.slopelandpublicschool.com

এদিটোরিয়েল, লৈবাক্কী পাউ- মপানগী পাউ, ষ্টেটকী পাউ, খঙজিনবদা কান্নবা, থৌদাং স্পোর্টস